**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন প্রোজেক্ট মতম চানা লোইশিন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়না রেলৱে অমসং ফুড প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিগী রাজ্য মন্ত্রি রভনিট সিংহনা হায়রি।

২) মহারাজ নরসিংহ লৈখিদবগী ১৭৫ শুবা নিংশিং নুমিৎ থৌরম মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা রাজ্যগী থাক্তা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন অমসুং হৈয়াইকোনগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা নোংমৈ অমসুং বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সরকার অসিনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ানা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহল্লি।

অমসুং

৫) বিহারদা হৌখিবা পুং ৭২ দা বজ্র তাবা অমসুং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুবগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ৮০ লৈখিদ্রে।

------

সনাজাউবা (এল)ঃ জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন প্রোজেক্ট মতম চানা লোইশিন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়না

রেলৱে অমসুং ফুড প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিগী রাজ্য মন্ত্রি রভনিট সিংহনা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহল্লক্লে।

ৱাফম অসি জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন প্রোজেক্টকী থবক অসি লোইশিনবিনবা শ্রী সনাজাউবনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ দা ফমখিবা রাজ্য সভাগী ২৬৭ শুবা মীফমদা জিরো অৱারগী মতমদা পুখৎখিবা ৱাফমগী পাউখুম ওইনা খঙহল্লকখিবনি। শ্রী সিংহগী ৱারোল অদুদা হায়- জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী কিলোমিতর ১১১ শাংবা রেলৱে লাইন প্রোজেক্টকী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু য়েংশিল্লে। অনৌবা প্রোজেক্ট অসি ইম্ফালবু ইন্দিয়ান রেলৱেজগী নেটৱার্ককা শমহন্নবা পায়খৎপনি। প্রোজেক্ট অসিগী চংলবা য়াই হায়না পানরিবা শেনফম অসি লুপা কোতি লিশিং ২২,২৭৪.৫৭ নি। ইং ২০২৪ গী মার্চ ৩১ ফাওবদা প্রোজেক্ট অসিগা মরী লৈননা লুপা কোতি লিশিং ১৪,৪২৩ গী শেনফম শিজিন্নখ্রে।

ৱারোল অদুনা মখা তানা হায়- কিলোমিতর ১১০.৬৩ মনুংদা জিরিবামদগী খোংসাং ফাওবা কিলোমিতর ৫৫.৩৬ শাংবা রেলৱে লাইন অসি হৌখিবা চহি ইং ২০১৭ কী ফেব্রুৱারি অমদি ইং ২০২২ গী সেপ্তেম্বর থাদা মথং শিৎনা জিরিবাম-বংগাইচুংপাউ ফাওবগী কিলোমিতর ১১.৮০ অমদি বংগাইচুংপাউদগী খোংসাং ফাওবা কিলোমিতর ৪৩.৫৬ হায়না তাঙ্কক অনি থোকা থবক পায়খৎখ্রে। মখা তানা খোংসাংদগী নোনে ফাওবা কিলোমিতর ১৮.২৫ অমসুং নোনেদগী ইম্ফাল ফাওবগী কিলোমিতর ৩৭.০২ অসিগী থবকশিংসু পায়খৎলি।

অদুমওইনমক, রেলৱে প্রোজেক্ট অসি লোইশিনবা হায়বসি রাজ্য সরকারনা তঙাইফদবা লম লৌশিনবা, উমং কোকথোকপা, য়ুম কৈনচিংবা নৌনা মফম অমদা হোংদোকপা অমদি তোঙান তোঙানবা থবক কয়া মতম চানা পায়খৎপগী মথৌ তাই। অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসি পায়খৎপদা রাজ্যগী ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর অমসুং নোংজ় নুংশাগী ফিভমগী  মখা পোল্লি। অদুবু মরম কয়া অসি লৈদুনসু য়ারিবা মখৈ অথুবদা লোইশিন্নবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংদি লেপ্লা লৈতনা পায়খৎলি হায়না ৱারোল অদুনা মখা তারি।

নরসিংহ (এল)ঃ মহারাজ নরসিংহ লৈখিদবগী ১৭৫ শুবা নিংশিং নুমিৎ থৌরম মণিপুর সরকারগী আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শিন্দুনা রাজ্যগী থাক্তা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফালগী কংলাদা লৈবা মহারাজ নরসিংহগী মোংফমদা আর্ট এন্দ কলচরগী স্পেসিয়েল কম্মিসনার এম. জোয়না লুচিংদুনা মীয়ামা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। তুংদা, মণিপুর রাইফলসকী বেন্দ কাংবু অমনা গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি অমদি গন সেলুট পীখি। লোয়ননা মিনিত অনি তুমিন্না লৈদুনা মহরাজ অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

তুংদা, চৎনবী মতুংইন্না কংলাগী নুংজেং পুখ্রিদা মহারাজ অসিগী মফমদা তর্পন কৎখি। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী স্পেসিয়েল কম্মিসনার এম. জোয়না হায়- মহারাজ নরসিংহ মথৌনা লৈবা মণিপুরগীদমক কৎথোকখিবা নিংথৌ অমনি। মহাকা লৈখিদবগী নিংশিং নুমিৎ পালন থৌরম অসিনা হৌখ্রবা পুৰারীগী থৌদোকশিং নৌহৌননা নিংশিংহল্লে হায়বা ৱাফম থম্লদুনা রাজ্য অসিদা মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিন্ননবা পুমমকা অমত্তা হোৎনমিন্নশি হায়না শ্রী জোয়না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহারাজকুমারি হেমনজ্‌রি সনাতোম্বীনা লুচিংবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি জলকেল্লি পালাগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদা লৈরিবা ওজাশিংদা পোক্সো এক্ট ২০১২ অমসুং প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট ২০০৬ কী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবা পান্দমদা এৱারনেস কম সেন্সিতাইজেসনগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিংনা পুন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী লাংমৈদোংদা লৈবা লাংমৈদোং ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ডাঃ ৱাই. রাধেশ্যাম, ককচিং জিলাগী জেদ.ই.ও- ৱাই. অচৌবা, জিলা অসিগী চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিতকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিংগী লিগেল কম প্রোভেসন ওফিসার এম. রোবিন্দ্রোনা চাইল্ড মেরিএজ এন্দ ইটস ইম্পেক্ট ওন চিলদ্রেন অমসুং সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টকী প্রোগ্রাম ওফিসার মালা লাইশ্রমনা জ্বেনাইল জষ্টিস সিষ্টেম ওভর ভিউ হায়বা হিরমশিং অসিদা ৱা ঙাংখি।

খোঙজোম (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খাঙজোমদা ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স থা অসিগী ১৫ দগী ২৫ ফাউবদা মীয়াম চংবদা অথিংবা থল্লে । মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অসিগী শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খৎকদবা লৈবনা অথিংবা অসি থন্বনি হায়না জিলা অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার না থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পুলিস(এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন অমসুং হৈয়াইকোনগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা নোংমৈ অমসুং বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী ফৌগাকচাউ বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দো, ১৯ শুবা গ্রহৱাল রাইফলস, ১৭ শুবা সি.আর.পি.এফ অমসুং ইখায় পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোনেলশিং য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী ৮ ফাওবা মফম অদুদা থিবা হুন্বগী থবক চখখি। মদুদা চাউরাকা গ্রাম ৮৯০ লুন্বা আই.ই.দি অমা, মেগজিন য়াওদবা থ্রি নোট থ্রি বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, তুয়েল্ব বোর বোল্ট এক্সন রাইফল ৭, তুয়েল্ব বোর দবল বেরেল রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা, রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা শেমদোক্লবা মেগজিন য়াওবা ওতোমেতিক এ.কে. রাইফল অমা, বাউফেং ৱাকি তোল্কি সেট অমা, ফ্লার গনগী মরু ৫, বি.পি. জেকেট ৫, হেদ গয়ার অমা য়াওনা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দো অমসুং নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী অপুনবা কাংবু অমনা লৈমরাম মমাং লৈকাইগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপ্পা)গী নুপী

এক্তিভ কেদর অমসু ঙসি ফারে। মঙোন্দগী স্মার্ট ফোন অমা অমসুং কি পেদ মোবাইল ফোন অমা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অদু মখা তাবা আইনগী থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগীদমক মঙোনদগী ফারকপা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

রেবিস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লংদুমদা জিলা অসিগী ভেটেরিনারি ওফিস অমসুং সমাজ সুধর দল য়ুথ ক্লবনা খুৎশমনা শিন্দুনা এন্তি রেবিস হিদাক কাপথোকখ্রে। মদুদা চাউরাকা য়ুমদা লোইবা হুই-হৌদোং ১০০ রোমদা এন্তি রেবিস হিদাক কাপখি।

অমরোমদা, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস অমসুং মোইবাইল ভেটেরিনারি অনিনা পুন্না শিন্দুনা এন্তি রেবিস হিদাক কাপথোকপা অমদি মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি লোংমাই বজার বোর্দ ওফিস নোনেদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা হুই অমদি হৌদোং ৫৫ হেন্না হিদাক কাপথোকখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাদা ইকো তুরিজমগী থবক থৌরমশিং য়োকখৎত্না মীয়ামদা শেন্দোক হেনগৎহন্নবা পান্দমদা কন্সলটেতিভ ৱার্কসোপ কম এৱারনেসকী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর সরকারগী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, টি.এ. এন্দ হিলসকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরিনা অনুরাগ ভাজপাই, পি.সি.সি.এফ এন্দ ঐচ.ও.এফ.এফকী পাউতাক মতুংইন্না পাঙথোকখিবনি।

তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা কৈকাউ লমকাউলোং খুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুল অসিগী চেয়ারমেন কাদিরৈ কামৈ, তমেংলোং জিলাগী দি.এফ.ও- কে.ঐচ. হিটলর, আর.এফ.ও- জ্ৱেল গাংমৈ অমসুং তুরিজমগী আর.এফ.ও- এ. পোমেশ্বরনচিংবা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী অজ্রাম খুলদা কার্বোন ফাইনান্সিং প্রোজেক্ট হায়বা হিরমদা ৱার্কসোপ কম ইন্টরদক্সনগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

অমেস্কো (এল)ঃ অমেস্কোনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লেপ্তুনা চথ্থরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অহুম্লক শুবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমদেং খুনৌ ফুনদৈ খুলদা শজিবু খুদোল তম্বা, ঈগী খোঙ্গুল লীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু অমেস্কো অমসুং ফুনদৈ ভিলেজ ওথোরিতি অনিনা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ অমুক্তং শিজিন্নরবা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং মতৌ করমা শিজিন্নবা থিংগদগে হায়বগী মতাংদা জিলা থাক্কী অহানবা তাঙ্কক্কী কন্সলটেটিভ ৱার্কসোপ অমা ঙসি নোনে জিলাগী দি.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনে অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শরৎ চন্দ্র অরোজ্না হায়- জিলা অসিদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিকশিং মখা তানা শিজিন্নদনবা মীয়াম্বু ভাব তাহনগী থৌরমশিং লোংমাইদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা দিরেক্তোরেট ওফ ক্লাইমেত চেঞ্জগী ওফিসিয়েলশিং, নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দি.এল.ওশিং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনিগী মায়োকবদা ভিলেজ সিমিত্রি মনাক্তা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী গাড়ি অদুগী দ্রাইভর, কন্দক্তর য়াওনা মীওই অমা শোক্লে। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী অশোকপশিং অদুদা মফম অদুমক্তদা ফার্ষ্ট এইদ পীখি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সরকার অসিনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ানা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহল্লি।

মধ্য প্রদেশকী আনন্তপুর ধামদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- সরকার অসিনা আয়ুসমান ভারত স্কিম পায়খৎপদগী লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওইশিং লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি। জল জিবন মিসন হৌদোক্তুনা মীয়ামদা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমলে। এইমস, আই.আই.টি অমদি আই.আই.এমনচিংবা অৱাংবা থাক্কী ইন্সটিট্যুসনশিং লিংখৎতুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। এক পের মাকে নামগী মখা উ পান্বীশিং থাদুনা অকোইবগী ফিভম কন্নবা খোঙজংসু চংশিল্লি।

মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা মধ্য প্রদেশকী আনন্তপুর ধামদা লৈবা গুরুজি মহারাজ লাইশঙদা চত্তুনা লাই খুরুমখি। শ্রী মোদিগী মধ্য প্রদেশ খোঙচৎ অসি চহি অসিগী ওইনা অনিরক শুবনি।

শ্রী মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী বরানাসিদা লুপা কোতি লিশিং ৩,৮৮০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনখ্রে, খরগীনা শঙ্গাখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ২,২৫৫ চংনা শাগদবা প্রোজেক্ট ২৫ গীনা ঙসি বরানাসিদা উরেপ উয়ুং তমখিব । ঙসি উরেপ উয়ুং তমখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা বরানাসি-লক্ষনৌ ফাওনবা নেসনেল হায়ৱে ৩১ দা লৈবা তর্নেল, রিং রোর্ডতা শাগদবা থোংনচিংবা য়াওরি।

বিহার ঃ বিহারদা হৌখিবা পুং ৭২ দা বজ্র তাবা অমসুং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুবগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ৮০ লৈখিদ্রে।

মেট বিভাগনা হায়- রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদা অখাক অরাউ অমদি লেন য়াওনা অকনবা নোং চ্‌রবা য়াই। মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর পাটনাগী দাইরেক্তর অসিস কুমারনা হায়- রাজ্য অদুদা ঙসিদগী ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোক্লে। হায়রিবা মতম অসিদা রাজ্য অদুগী মীয়ামা পুন্সি অমদি লন থুম অমাং অতা থোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবসু হায়রি। অমরোমদা, মেটিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালগী মতুংইন্না মণিপুর জিলা খরাদা ঙসি য়াওনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো (এল)ঃ  মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ৩১ শুবা গভর্নরস কপ ইনভাইটেসন শগোল  কাংজৈ পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ব্লেক ব্রাটস বাবুপারানা তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব বিনা অসাম রাইফলস পোলো টিমবু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখি।

কাং (এল)ঃ  অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ব্রাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কাংখুৎনা য়াইস্কুল মিক্স কাংখুৎপু পাঞ্জল ২২-১০ দা থোইখ্রে।

ভোল্লিবোল (এল)ঃ  সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসন অমসুং ১৬ শুবা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চথরকখিবা লেট কে. অসুলি বি.আর.সি ওপন ভোল্লিবোল তুরনামেন্টকী অহানবা ইদিসন ঙসি লোইশিনখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেলদা সেনাপতি স্পোর্টিং ক্লবনা বুলিয়ান ভোল্লিবোল ক্লব চুরাচান্দপুরবু ষ্ট্রেট সেটতা ৩-০ দা থোইখি। নুপীগী ফাইনেলদনা হোইবা মেমোরিয়েল ক্লব চুরাচান্দপুরনা সেনাপতি স্পোর্টিং ক্লবপু সেট ৩-১ দা থোইখি। পনবা য়াই, থা অসিগী ৭ তগী হৌদুনা চথরকখিবা তুরানমেন্ট অসিদা নুপাগী ভোল্লিবোল টিম ১০ অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল টিম ৮ না শরুক য়াখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমফা)না শিন্দুনা চহি ৬ তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী অম্ফা ব্লু ক্লবস তুরনামেন্ট থা অসিগী ১৯ দগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লি।

ক্রিকেট (এল)ঃ  মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.ই.ৱাই.এস নাগামপালনা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু ৱিকেট ৯ দা থোখ্রে। অতোপ্পা মেচট অমদা নপসা খা-ইম্ফালনা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু রন ৩২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- থাউ থাংমৈবন্দনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ টু পেচু লম্পাকপু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

------